# নিংঙোল চাক্কৌবগী চৈনা

**সোবিতা মোংজম**

**মীতৈ** ঐখোয়গী য়াম্না পূক্নিং নুংশিনিংঙাই ওইরবা মচিন-মপ্নৌ, মবুং ওইবশিংগী নুংশি চান্নবা মরীসি উরুরগা, তারুরগা অমদি হয়েংদা ঙাইরক্লবা মতম হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎসিনা অসুম অসুম নকশিল্লক্লিবমখৈ মচা নিংঙোল ওইবীশিংগী পূক্নিং লৈতাফম খঙদবা অসুম হেনগৎলকপা মীসু য়াওদবা নত্তে। মচিন-মনাও, মমা-মপা লৈজবী লাইবক ফবী মচা নিংঙোল ওইবীশিংগী পুন্সি কয়াদা চাওথোকচনীংঙাইনো। অসিগুম্বা নোংমখক ফংবা নুমিৎ অসিদা লৈবা-লৈতবা থিদনা ঙমজবা পোৎশক অমবু খুদোল তৌজবদা মচল-মচা ওইবীশিংনা য়াম্মী-য়ামদে, চাউই-পীকই, পাম্মী-পামদে করিগী হায়ফম থোকপগে? ঐগী ইমিৎসিদা নুংশিখ্রবী শোল্লবী ইমা-ইপাদুনা মচা নিংঙোল ময়াম লাক্লনি, চাক চারা অমা চমীন্নগনি খন্দুনা ঙাইজরিবদুগী মহয় ওইনা ইশা-ইশানা মখোয়বু করিগী কপহনগদৌরিবনো? ঙক্তবা ঙমদে, পাল্লগনা পাল্লীবা অপাম্বা পোৎশক্তু ইশা-ইশানা লৈজবা য়াইনা। খুদোল হায়বসিদি খুদোলনি। পীকপা-চাউবা থিফম থোক্তেনা। পীরকপা খরদু থম্মোয় শেংনা হরাউ-তয়াম্না পুরগা লেমজনা হল্লকপদুনা নিংঙোল ওইবী ঐখোয়গী ফজনফম ওইরোইদ্রা, খন্থমিন্নসি ঐখোয় অমুক্তং খন্থমীন্নসি। ইমা-ইপা, ইবুং-ইপ্পাশিংদা অকনবা চৈফু পীররোইসি। ঐখোয়গী খুদোলপোৎপু লৈগদ্রা, ইনম্মগী চৎপদা পুনবগীবু লাংগদ্রা, ইবুংদুগী করি ফীভম ওইরমগদগে খজিক্তং তিন য়োৎথরগা মুন্না অমুক্তা খন্থদুনা য়েংবিয়ু নুংশিজরবী নিংঙোল ওইবীশিংনা অমুক্তদি।

ৱারেংসিবু ইজরিবী ঐ কুইরে নিংঙোল চাক্কৌবা চৎপা ফংলক্তবা। শোল্লবী ইমা লৈখিদ্রে। ইমা লৈখিদ্রবা মতুংদদি অপোকপা ইপা, ইবুংশিংনা চাক্কৌগে হায়না কয়ারক হায়রখি অদুবু শোল্লবী ইমাদুনা নুংশিনা মচা নিংঙোল ঐখোয়দা তম্বীরম্বা পীক্লবা ইনাৎকী ফনেক মচাদুগী মমল ঙসিতা খঙলকই। কৌদবা য়াদে, মীগী মমাঙদা কৌদে হায়খিনি হায়না খন্দুনা নুংশিবা মান্না চাক্কৌবা হায়রবদু ঐদি শরুক য়াবা ঙমজরোই। পুন্সিদসু চাক্কৌবা লাকহঞ্জনীংদ্রে। ময়ামগী কৈরোই লৈকায়গী মরুপ-মপীজা ময়াম্না মপামদা দখিনা অদু লৈরম্মু, অদা পীয়ু হায়রিবসে ঐ তশেংনা তাবা ঙমদে, উবসু উজনীংদে।

পুকচেল পীক্লবী মনম্মা ওইবী কয়াসু ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওদবা নত্তে। মাগী মাগী চৎনবা, পুনবা হোৎনবদা মচন-মচা ওইবীশিংগী খল্লুবা ঙম্বা নত্তে। শেন্থোক লৈজদ্রবা-লৈজদ্রবী



মনেম-মকুনা পুথোরকপা ঙাইদুনা লৈনবসু কোঙ্গায়নি। তশেংনা লৈজখিদ্রবা লায়রখ্রবা মবুংদুনা থম্মোয় শেংনা মীনুংশি চাউবী ইনম্মদুনা নৎত্রগা ইচন্দুনা পীরকপা থম্মোয় শেংলবা নুংশিবগী মীৎকী পিগা লোয়ননা পীরকপা মচনগীনি, মচাগীনি খন্দুনা তম্বীরকপা খুদোলদুনা খ্বাই পূম্নমক্তগী পুমহেন হেন্না মমল য়াম্লবনি। দখিনা য়ামদে নৎত্রগা চাউদে/পীকই করিগী নিংঙাই তৌরুগদগে, করিগী ইপামদা কপচরুদগে, নিংঙোলনা মপামদা লাক্লগা কপহৈদে হায়নরিবসে খন্থফম থোক্তবরা? চাক্কৌবীনবা কনাসু লৈরক্ত্রবা মতমদুদা চাক্কৌবগী মগুণ/ৱাহন্থোক খঙলক্কনি। ইমা-ইপা, ইবুং ইপ্পা নুংশিরক্কনি। থম্মোয় শেংনা পলেম-পন্থৌবু পেন্না থৌগল তৌনীংলক্কনি। ইবুং-ইপ্পা, ইনম্মগী মরী লোয়না ইমাংদা মথং-মথং চোঙথোক্লক্কনি। মখোয়বু মোংফমদগী চিংথোক্তুনা ইমাংদা লৈহন্নীংবা মতমসু লাক্কনি। অদুনা নিংঙোল ওইরিবী ঐখোয় পূম্নমক ৱাখল তামিন্নরসি। নুংশিবগী চেৎলবা মরীবু পৈশানা, পোৎকী মমলনা লেপ্পা য়াদে হায়বা খঙমীন্নসি। অচৌবা পোৎ হাপহনগে হায়রগনা ইশানা অচংবা পৈশা পুথোক্লগা লৈরগা হান্না পীবিহৌ। ঐনা/নঙনা লৈবা ঙমদবা, শাবা ঙমদবা পোৎতু মখোয়দা করম্না লৈহনগদৌরিবনো, শাহনগদৌরিবনো ? অচাওরম কাবগী মতৌ তোক্লসি, চৎফম লৈজদ্রবী, কৌবীনবা লৈজদ্রবী ঐগুম্বী কয়াগী মফমদদি থম্মোয় শেংনা মীৎকী পিখক্তা ওইরবসু তম্বীরকপা খুদোলদু ঙাইরি ঙসিসু।

ইমা, নুংশিজরবী ইমা নহাক লৈরম্লগদি ঙসি ঐসু চৎলমগনি চাক্কৌবা নোক্লা নোক্লা ইপামদা। ইজরিবা খরসি ঐগুম্না থম্মোয় কায়রবী, থম্মোয় শোক্লবী কয়াগী নীংঙমদবগী পেন্দবগী ৱাকৎতুনি খঞ্জরগা মমা ওইবীশিংগী মফমদা ৱারেং অসি কৎথোকচরি। মরম অসিননি ঐখোয়না হেক হেক গুৱাহাটিদা, ত্রিপুরাদা চোয়না খুন্দাদুনা লৈখ্রবা ঈগী মরী ওইবী নিংঙোলশিংবু পূন্না পূন্না চাক্কৌরিবা। হন্দকসু পেট্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুর অমদি ত্রিপুরা ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ত্রিপুরাদা চাক্কৌগদৌরিবা, মমাঙ চহীদনা গুৱাহাটিদা শিনখিবনি। ঐখোয় নুপী ওইবী খুদিংমক অফবী ইমা, ইনম্মা, মচন, মচা নিংঙোল হায়বদু হন্দক্কী চাক্কৌবসিদগী ওইমিন্নরসি।

# মালেমদা চাওথোকচনীংঙাই ওইরবা মীতৈশিংগী অমত্তা ঙাইরবা থৌরম নিংঙোল চাক্কৌবা

**কে ঐচ মেঙ্গোর মঙাঙ**

**কলি (কোন্নচক)** কুমশিং ৩১৩৫ (খৃষ্টাব্দ ৩৩) দা লৈনুং চাখা য়াবিরোক্কী মপারি নোংদা লাইরেন পাখংবা মশাগী চহী ২৭ চঙলকপা কালেন থাগী থাংজ নুমিৎতা নূংজেং ইরেনগী ঈশিং শোক্লগা নিংথৌ হৈবোংঙাং থাঙাংলেনগী মমোম পোইরৈতোনগীনা মচল ইবেম্মা লাইস্নাগা লোয়ননা লাইজ ঈশেং হৈদুনা ইরুজরগা অঙোম, লুৱাং, মোইরাং, খুমন, চেংলৈ, খা-ঙানবা পিবা তরুক্কী মমাঙদা কংলা মেন্দা তোংদুনা পোইরৈ কংলৈপাক্কী নিংথৌ অমদি লৈবাক লৈমা হাপখি।

মীতৈ লৈমা লাইস্নাগী মবুং পোইরৈতোন্না লৌ উদুনা ফৌ চরোং চুম্না মুল্লবা ফৌয়ামদু য়ৈরম্মী। মবুংনা লৌ য়ৈবদু য়েংনীংদুনা তাউজিং হৈফাং লফোইগা চরোং চুম্বা হৈরাংগা পুরগা মবুংগী নাক্তা লাকখি। মচলনা পুরকপা হৈরাংশিংদু লৌ-খাওবা, য়ৈবদা ৱাদুনা পোত্থাবদা চায় হায়বগী হৈথা পোত্থা হায়না খঙনখি। তাউজিং হৈফাং লফোই অদুবুনা হৈফাং ওমপোৎ হায়না মমিং থোনখি। লৌ য়ৈবা লোইরগা ফৌদু শুম্বলদা হাপ্তুনা শুবদা ফংবা তরা চেঙদু মচল লাইস্নাদা ময়োম অনী পীরম্মী। মবুংনা পীরকপা চেঙদু চাক থোংলগা মথেল লুকোইগা লোয়ননা মশাবী পাখঙবদা পীজরম্মী। মনম নুংশিনা হাউরবা চাক্তু চাবদা পেল্লদুনা পাখঙবনা অহাওবা চেঙদুগী মমিং চাকহাউ পোইরৈতোন হায়না মমিং থোনখি। নোংমা পোইরৈতোনবু মচল লাইস্নানা কংলৈ মপুং য়াইদা চাক কৌই। নুমিৎ অদুদগী হৌনা মচল-মচে ওইবীশিংনা চহী খুদিংগী লৌ-লোকপা লোইরগা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা মখোয়গা পোকমিন্নবা মবুং-মৌপ্পাবু মপুরোইবগী য়ূমদা চাক কৌবা চৎনখি। নিংথৌগা পোকমিন্নবা মচল-মচেনা ময়ূম পাল্লবা মতুংদা নিংথৌবু মপুরোইবগী য়ূমদা চাক কৌবদা অমদি নিংথৌনা লৌবা লৈমশিংনা মখোয়গা পোকমিন্নবা মবুং-মৌপ্পাবু কোনুংদা চাক কৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবদগী খৃষ্টাব্দ ১৮৫০দগী ১৮৮৬ ফাওবা কংলৈপাক্তা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু চন্দ্রকৃতিগী হাক্তক্তা মচল-মচেনা মবুং-মৌপ্পাবু মপুরোইবগী ময়ূমদা চাক কৌরম্বদুগী মহুত্তা মবুং-মৌপ্পানা ময়ূম পানখ্রবী মচে-মচলবু ময়ূমদা চাক কৌরবদি মমা-মপা, মবুং-মৌপ্পাদা নত্তনা কৈরোয় লৈকায়দা হৌমিন কামিন্নরকপী মমান্নবী ময়ামগসু উনদুনা অৱা-নুংঙাই ৱারী শাবা ফংগনি খনখি। মরম অদুনা নিংথৌনা পীবা চাক্কৌবগী মহুত্তা নিংঙোলশিংবু চাক্কৌখি। মতম অদুদগী ঙসি ফাওবা নিংঙোল চাক্কৌবা হায়না খঙনদুনা মীতৈশিংগী অচৌবা থৌরম অমা ওইরি।

চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং পাঙথোকপা থৌরম অসিবু নিংঙোলশিংনা খৌরাংনা ঙাইনৈ। নুমিৎ অসিদা ফজ-ফজবা ফিজোল শেৎতুনা মচাশিংগা লোয়ননা অচা-অথক পুদুনা মপামদা লাকই। মমা-মপা, মবুং-মৌপ্পাশিংগা অহাওবা মথেল-লুকোই চামিন্নদুনা হরাউ-তয়াম্না ৱারী শান্নমিন্নৈ। মবুং-মৌপ্পাশিংনা মচে মচলশিংদা চল্লবা খুদোল পোৎ তম্মী, মচে-মনে ওইবীশিংনসু মৌপ্পাশিংদা য়াইফ-থৌজাল পীবিরম্মী। থৌরম অসি ঙসিদি মীতৈখক নত্তনা অতোপ্পা ফুরুপ কয়ানা য়াম্না পাম্না মফম কয়াদা পাঙথোক্লরক্লি।



অসুক ফজরবা থৌরম অসিবু ঙসিদি খুদোলপোৎ চাউনা-চাউনা তম্বা/পীবগী মওংদা ওন্থোরক্তুনা থৌরম অসিগী মগুণ হন্থরক্লবা হোৎনরকপগুম তৌরক্লি। নিংঙোল ওইবীশিংনসু ঐগীদি অদু হাপ্পীদ্রবদি, অদা হাপ্পীদ্রবদি চাক্কৌবা লাকপা ঙম্মোই হায়বা, মীওই খরনা অমুক মাগী অদু হাপ্লবদি ঐগী ইচেগী ইচলগীসু হাপকনি হায়না খুদোল পোৎ চাউনা পীবগী লমজেল তান্নরক্লি। হোংলক্লিবা অওনবা ময়ামসিনা লায়রবা মীওই কয়াদদি অৱাবা চৈথেং অমা পীরি। মীগী মমাঙদা ঙম্নবা হোৎনরুবদগী পৈশাগী চৈথেংনা অৱাবা কয়ামসু পীরি। পূম্নমক শুপচিনজরগা থৌরম অসিবু অচুম্বা মওংদা পাঙথোক্লসি, খুদোল পোৎ চাউনা পীবগী লমজেল তান্নবা তোক্লসি।

# কৌনাগী পোখোক মীরাইবিরে

**লাইশ্রম তোম্বা খুমন**

**ইরমদম** কংলৈপাক অসিদা কৌনা হায়বা কান্নরবা পাম্বীসি মরাং কায়না ফংই। খরা কুৎপা মফম লৌ-উবদা খুদোংচাদবা মফম নৎত্রগা কৌনা পাম্বী থানবা ফুট অমা নৎত্রগা অনীমুক লুনা তৌরগা কৌনা থানরি। কৌনাগী মখলসি চাওরাক্লা অনী থোক্লা খাইদোকপা য়াই মদুদি মউ খরা চাউবা অমদি মউ খরা পীকপা অসিনি। মখল অনীমক মতম মফমগী মতুং ইন্না শীজিন্নৈ। লমগী লৈহাওগী মতুং ইন্না কুংবা-পাবা, চাউবা, শাংবা খেন্নৈ। লৌদা হাবেংবদৌনা কৌনাদসু পেংথোকই। মরুওইনা কৌনা কোমদা হৌগনবা নাপীদি-হুপ, হুপখা, কাওথুম, অমদি য়েনশিন্নচিংবনি। নাপীশিংসি পেংথোক্ত্রবদি কৌনানা ফংগদবা লৈহাওদু নাপীশিংনা চাথোকখিদুনা চাউজন থিল্লি। মচু ঙাংলৈনদুনা পাম্বীদু তীল চংবনচিংবা মখল-মখা কয়াগী লায়না তীলনানা নাহল্লি। মমৈথংদা পাম্বীশিংদু শিবা ফাওবা য়াওরকই। মতৌ অসুম্না কৌনাগী কোমশিংসি য়াম্না লুনা নান্না থম্বীরবদি পোত্থোক মরাং কায়না ফংবা ঙম্মী। কৌনা থাবা মফম অসি চহী চূপ্পা ঈশিং দরকার ওই। ঈশিং ফংদ্রবদি কৌনা পাম্বীশিংসি শিবমক শিদ্রবসু মরূ মরা খক্তা হিংদুনা লৈহৌগনি।

কৌনা পাম্বীশিংসি ফহনগে হায়রবদি খূৎশেমগী হার শীজিন্নবসু য়াই। কৌনা পাম্বীশিংসি চরুগী উৎ, উৎথি-ৱাইথি শীজিন্নরবসু পোত্থোক মরাং কায়না ফংবা ঙম্মী। চহী অমদা কৌনাসি অহুম্লক্তি শোয়দনা খাওই অদুগা করিগুম্বদা মরিরক খাওবসু য়াওই। নিংথমথাদা কৌনা ময়োল চোঙবা ঙমদে। তৌইগুম্বসুং ঈশিং মনুংদা লৈরিবা মরূ-মরাশিংদি শিদে। কালেন চঙলকপদা ময়োন ফজনা চোঙলকই। কালেনদা মপূং মরৈ ফারবা মতমদা খাওবা কৌনানা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা ওইরি। কালেন কৌনাসি য়াম্না থোৎলি, শীজিন্নবা নুংঙাই, মপাঙ্গল থোইদোক্লা কল্লি। মচুসু য়াম্না ফজৈ। কৌনাগী থোইদোক হেন্দোকপা ময়াই অমতং হায়রবদি, কালেন থাদা মপূং ফারবা কৌনানা মপাল শাৎলি, মরু পাল্লি, মতাং অসিদনি খাওবা য়ারে হায়রিবসি। মতমসিদা খাওদৎলবা কৌনাশিংদু মপূন মপূন শাদোক্লগা ওমশিল্লবা মতুংদা অশংবা মচুগী কৌনাদু লৈহাও অঙাংবগী মচুদৌনা ঙাংশিল্লক্কনি। মদুদগী নুংশাদা ফজনা ফৌদোক্লগা কংলবা মতুংদা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবা য়ারে। অসিগুম্বা কৌনাসি হায়নবা লৈ মদুদি 'লিমুক কল্লি' কনবু কল্লি। কৌনাগী মতিক ময়াই অমসুং হৌরকখিবগী মতাংদা ওজাশিংনা পুয়াদগী লৌথোরকপনি হায়না তাকপীরম্বা ৱাহৈ খরদং পঞ্জরি। 'নাহান্নোং হয়িচক তাংজা লিলা পাখংবগী শাইয়োল লাংওন, তাংজা মরৈতোন্না, হুপলা, হরা, তৌরা, তৌমু, তৌসেম, কৌনা, শিক্লাং, শিংউৎ, খিক্লোই, য়েংথৌ উরোংখিন্না শায়োনখি হায়দবরা'' ''সোম্মরিসোম কৌবগা লাইরৈমা পান্থোইবীগা লাল শোক্লে। লাইরৈমনা থাঙশাংশুনা সোম্মরিসোমগী মরৈনা ফক ওইনা লৈপাক্তা তাহনখি। অদুনোংদগীসু ফক হায়বা মমিং অসি পোকখি হায়দবরা'' ঙসি ফাওবা ইরাই নুমিত্তা কৌনা কোমদা কৌনা য়োকপা মীওইশিংনা কুম্নদে। মরমদি পাখংবগা ইরাইলৈমগা (ইরৈমা) পূন্না কৌনা কোমদা লৈ হায়। মসিদা লাই ওক্লরবদি অৱাবা নংই হায়বগী থাজনবা লৈ। অসুম্না কৌনাবু পাখংবগী শায়োল লাংওন্নি হায়নরি।

অসিগুম্বা লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লবা পাম্বী অসি তাইবঙ মীওইবদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীবিরি। মরুওইনা কৌনানা শাবা ফক (কৌনাফক) তঙাইফদনা মীওইবদা থোইদোক হেন্দাক্লা কংলৈচা ঐখোয়দা তৎন-থানবা য়াদবা অমসু ওইরি। মরুওইনা মীতৈ, মীতৈ-পাঙলগী লাই-তীলগী ওইবা থৌরম-থৌদা খুদিংমক্তা চঙদবা য়াদবা ওইরি। লাই-তীলগী নত্তবা মীগী ওইবা থৌরম খুদিংমক্তসু চঙদবা য়াদবা ওইরি। কৌনাফক অসি নুংশিৎ-নুংশা, অইং-অশা অনীমক চাং মান্ননা থম্বা ঙম্বা হায়বদি অশাবা মতমদা কৌনাফক্তা মতম শাংনা ফম্লবসু অশাবা ফাওদবা, অইংবা মতমদা ফম্লবসু ইংদবসিনি। মীরোলদা হায়রগদি তেম্পরেচর কন্ট্রোল তৌবা হায়বসিনি। মসিদসু নত্তনা কৌনাফক্তা চাং নাইনা ফম্লবদি নূংশং হায়বা লায়না অসি চঙবা ঙমদে হায়রি।



মরম অসিদগী সোফাদা ফক অরোনবী (ফক অথাবা) অসি য়াম্না পাম্নমা অখঙবা মীওইশিংনা শীজিন্নরি। চৌক্রিদা কুসন ওইনা পাক্তক্লনা থানরি। মসিদগী কান্নবা মরাং কায়না ফংই হায়নরি। ফক অসি শীজিন্নরবা মতুংদা মতম শাংনা লিদুনা থমখিবদা অকায়বা লৈতে, কোকফাই-শুজা কাদে, শুম চাদে অহনবদৌনা অসুম লৈগনি। ফক অদু শীজিন্নরিঙৈদা নোং চোৎখ্রবা, লৈখোম তৈখ্রবা শেংনা চামথোক্লগা কংনা ফৌদোক্লগা থমখিবদা অকায়বা করিসু লৈতে। মীতৈগী লুহোংবদা তঙাইফদনা ফম্মাংদা থানবা কৌনা ফক চঙই। মীতৈ-পাঙলশিংসু লাই খুরুম্বা মতমদা অপাকপা ফক শীজিন্নরি। মতমগী মতুং ইন্না কৌনাগী মোরা, নুপীশিংনা পোৎচৈ হাপ্পবা খাও মচা-অচৌবা, সোফা, খোঙউপ, কোকথোন (টুপি), লৈ হেক্লগা হাপ্পবা লৈগী পোলাং, তেবল মথক্তা থম্নবা ফজরবা লৈতেংগী পোৎলম খূৎশেমগী লৈ হাপ্পবা গমলা, ফক্লাংদা য়ান্নবা ইন্দিয়াগী মেপ ফক ময়েক থোকপা মখলশিং মোইরাংফী চনবা ময়ায় খায়বী ফকলোং অসি নত্তবা মখল-মথেল কয়াগী ফজ-ফজরবা কৌনা ফক শাদুনা পুথোক্লি। অসুম্না কান্নরবা কৌনাগী পোৎথোকশিংসি মপানগী মীওইশিংনা সাইন্টিফিক ওই খঙনরকপদগী দিমান্দ কয়া লৈরি। ইন্দিয়াগী অচৌ-অচৌবা মেলা কয়াদা কৌনাগী পোথোক্কী অচৌবা ফীদা ফংলিবনি। অসিগুম্বা কান্নরবা ফজরবা য়েংবদা পূক্নিং হুরবা পোৎথোকশিং পুথোক্লিবা খূৎনাইবা-খূৎনাইবী কয়া অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মশক খঙবীদুনা মনা মথুম কয়া পীবিদুনা ইকায়খুম্নবিরি।

খূৎশা হৈরবা খূৎনাইবা কয়া কয়ানা মথৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা কৌনাগী পোথোকপু য়োকখৎনবা অমদি মণিপুরগী ৱাংমদসু কান্নবসি ফংহন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরকসিদা কৌনাগী পোথোকপু নাকল অমরোমদা মীরাইবিরে। ঙসি ঐখোয়না পোকপা-শিবগী থৌদোক্তা নত্তবা অতৈ থৌদোকশিংদা চীং-লেম্না শোন্নপুংগী অকোয়বদা কৌনাগী ফকশাং ফজনা থাদুনা লাইগুম্লবা ইপা-ইপুশিংনা চীং-লেম্না ফম্বীদুনা থৌরমদু মপূং ফাহনবা অমদি লোইদ্রিফাওবা ফম্বদা ইংই-শাই হায়বগী পাউনিলখোল অমত্তা লাক্তে। মসিগী মহুত্তা মপানলোমদগী পুশিল্লকপা প্লাষ্টিক্কী মচু মমেন্দা মীৎ থকহল্লবা ফক মানবা অসিনা কৌনা ফক্কী মহুৎ কন্না শিন্দোক্লবা চৎনবী অমা লাক্লি। হায়রিবা পোৎ অসিদি ঙাইহাক্কী ওইবা পোৎনি। হায়রিবা পোৎ অসিগী মথক্তা অহলশিংনা ফম্বদসু নুংঙাইবা পোকপা ঙমদে। অসিগুম্বা পোৎ অসিনা ইরৈবাক্কী মতিক-ময়াই লৈরবা পোৎথোক অসিবু মীরাইবিরে। কান্নবা ইফং ফংদ্রবা পোৎ অসিবু করিগীদমক্তা পাম্লুরিবনো হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। মসিনা মরম ওইরগা ইরৈপাক্কী শেন্মীৎলোন্দা শাথিনা অকায়বা পীরক্কনি। লায়রবা ইরমদমগী শেঙ্গাও মীৎ থকহল্লগা তপ্না তপ্না পুথোকখ্রিবসি মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি, ইরমদমগী শেন্মীৎলোন্দা ময়েং তারক্কনি অমসুং মমল য়াম্লবা কৌনাগী পোথোক পুথোকপীরিবা ইচিন-ইনাও, ইমা-ইবেলশিংগী থম্মোয়দা নীংহন্নবা পোকহল্লোই হায়বগী চিংনদবা ঙম্লোই। অরং-অরাক্কী ঈরাংদা তাওদুনা মীরমগী মরল মথুম শেম্বীদুনা লায়র ময়েং তাহনবসি নুংশিজরবা পুকচেল চাউরবা ইরৈচাশিংগী ৱাখল চিংশিনজরি। মতম লৈরিঙৈ ইরমদমগী পোৎথোকপু নুংশিবীয়ু। হায়নবা লৈ মদুদি 'সনা কায়থোক্লগা তুম্বা লেপশিনবা' ওইনা থোক্কনি। ইরমদমগী লায়রবা খূৎশা হৈরবা শিন্মীশিংবু নুংশিবীয়ু। মখোয়গী হুমাংমল ঐখোয় খুদিংমক্লা ইকায় খুম্ন সি। কৌনা অমসুং কৌনাগী পোৎথোকপু নুংশিবীয়ু।